



# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, SEPTEMBER 16, 2019 **PAGE 7**




*ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড হাল্ফ মরাথোনগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা কেনিয়াগী এঠলেট জিওফ্রি কামৱোরোর*

*একাটেরিনবর্গতা পাঙথোক্লিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী কেজি ৫৭কী কেটেগোরিদা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর কাভিন্দর বিষ্ট*

## দি এফ এ থৌবাল সেকেন্দ দিভিজন লীগ ২০১৯ দা ৱাই দি এ তেন্থা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন, থৌবালনা শীন্দুনা থা অসিগী ৮ দগী চাওয়াইমা হয়ার সেকেন্দরী স্কুল প্লে গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ- ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিং দা দি ৱাই এ তেন্থা মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী ১২ শুবা মেটচ মেটচ ওইনা দি ৱাই এ তেন্থা অমদি য়ু ও সি উয়ালনা শান্নখিবা মেটচতা দি ৱাই এ তেন্থানা য়ু ও সি উয়ালবু গোল ৫-৩ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাই দি এ তেন্থাগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ৪ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল ১ চনখি। মায়থিরবা য়ু ও সি উয়ালগী গোলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা গোল ২ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল ১ চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা শরুকশিংদি দি ৱাই এ তেন্থানা য়ু ও সি উয়ালবু লাকশিন্না শান্নদুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চত্থদুনা প্রেসর পীশিনখি।

প্রেসরশিং অদুগী হোঞ্জমন ফঙদুনা অতেনা মিনট ১৭ অমসুং ১৯ দা ৱাই দি এ তেন্থাগী জর্সি নম্বর ৩ এম নোংদম্বনা গোল ২ চন দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল ২ মাঙজিল থাখ্রবা মতুং গী মিনট ২ কান্নরগা মিনট ২০ চৎপদা দি ৱাই এ তেন্থাগী জর্সি নম্বর ২০ এন সন্তিকুমারনা টিমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা ৩-০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মিনট ৭ লৈরগা ২৭ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ১০ টি ঐচ কৃষ্ণনা মরিশুবা গোল চন্দুনা ৪-০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী মিনট ২৯ চৎপদা দি ৱাই এ তেন্থাগী জর্সি নম্বর ১২ এম রৌমিওনা অউল গোল অমা চনবীদুনা ৪-১ দা লৈখ্রবা মতুং হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ৩০ য়ু ও সি উয়ালগী জর্সি নম্বর ১৩ লাঙম্বনা অনীশুবা গোল হনে দাক্তুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৪-২ দা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবা মিনটশিংদা য়ু ও সি উয়ালনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্তুনা শান্নরকপদগী মেটচকী মিনট ৪৩ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ১৩ লাঙম্বনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ৪-২ দা লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা লাক্লবা হোৎন্নখ্রবসু মেটচ অসিগী মিনট ৬০ চৎপদা দি ৱাই এ তেন্থাগী জর্সি নম্বর ৩ নোংদম্বনা মহাক্কী হেদট্রিক গোল ওইনা টিমগী মঙাশুবা গোল অদু চন্দুনা তেন্থগী মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।

মেটচ অসিদা য়ু ও সি উয়ালগী জর্সি নম্বর ২৩ মোমোচা অমসুং দি ৱাই এ তেন্থাগী জর্সি নম্বর ২ এম কুমারদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রোফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এস ঐচ ইবোমচা শর্মা, মোহমদ সোইব খান, এম ইবোমচা সিংহ অমদি এস ঐচ তাতুনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

## ইন্দিয়াগী সৌরভ ভর্মনা চাইনাগী সুন ফৈজিয়াংবু মায়থিবা পীদুনা ভিয়েটনাম ওপনগী টাইটল লৌখ্রে

*হো চি মিন সিটি, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সি)ঃ* ভিয়েটনামগী কোনুং হো চি মিন সিটিদা চত্থরকপা য়ু এস দোলর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ভিয়েটনাম ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সট্লর সৌরভ ভর্মনা চাইনাগী সুন ফৈজিয়াংবু গেম ২-১ দা থোইদুনা টাইটল লৌখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী সৌরভ ভর্মনা চাইনাগী সুন ফৈজিয়াংবু য়াম্না লায়না পোইন্ট ২১-১২ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অসিদা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদা শোত্থদুনা লৈরিবা চাইনাগী ফৈজিয়াংনা য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সৌরভ ভর্মবু য়াম্না লম্বা চানা পীবা ঙমখিবদগী গেম অসি ২১-১৭ দা থোইখিবদগী ফাইনেল মেটচ অসিদা শান্নরোই অনীমক গেম অমমম মান্নদুনা য়াম্না লম্বা মান্ননা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেমদা ইন্দিয়াগী সৌরভ ভর্মনা ফজবা খরা হেনখিবদগী চাইনাগী সুন ফৈজিয়াংবু পোইন্ট ২১-১৪ দা থোইবা ঙমখিবদগী ভিয়েটনাম ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল মহাক্না লৌবা ঙমখি।



*ভিয়েটনাম ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সৌরভ*

ভিয়েটনাম ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ চাইনাগী ঝাং য়িমাননা জপানগী অসুকা টাকাহাসিবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী পোইন্ট মান্ননা চৎলমখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা চাইনাগী ঝাং য়িমাননা ফজবা হেনখিবদগী ২১-১৮ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারিবা চাইনাগী ঝাং য়িমাননা অনীশুবা গেম শান্নরকপদা য়াম্না ফজদুনা জপানগী শান্নরোই আসুকা টাকাহসিবু লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী গেম অদু ২১-১১ দা য়াম্না লায়না মায় পাকখিবদগী চাইনাগী ঝাং য়িমাননা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

ভিয়েটনাম ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ পেয়র সাউথ কোরিয়াগী চোই সোল জিয়ু অমদি সিও সিয়ুং জেনা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র না সুং সিয়ুং অমদি ৱাং চানবু ১৮-২১, ২১-১৬, ২১-১৪ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী দেল্লা দেষ্টিয়ারা হারিস অমদি রিজকি অমেলিনা প্রাদিপ্তানা চাইনাগী পেয়র হুৱাং জিয়া অমদি ঝাং সুজিয়ানবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১-১৮, ২১-১৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

ভিয়েটনাম ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা চাইনাগী পেয়র গুৱো জিনৱা অমদি ঝাং সুজিয়াননা ৬শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র লি ঝে হুই অমদি সু য়া চিংবু গেম অহুম চঙনা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৮-২১, ২২-২০, ২১-৮ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

## ইন্দিয়াগী পঙ্কজ অদবানিনা ৱার্ল্ড স্নুকরগী ২২শুবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

*মন্দলে, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সি)ঃ* ম্যান্মারগী সিটি মন্দলেদা চত্থরকপা আই বি এস এফ ৱার্ল্ড বিল্লিয়াদর্স চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা মায় পাক্তুনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী পঙ্কজ অদবানি মহাক্কী কেরিয়রগী ২২শুবা ৱার্ল্ড টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ৩৪শুরবা ইন্দিয়াগী স্নুকর শান্নরোই পঙ্কজ অদবানি কুমজা ২০১৪ দা য়ুনাইটেদ কিংদমদা পাঙথোকখিবা আই বি এস এফ ৱার্ল্ড বিল্লিয়াদর্স চেম্পিয়ন্সিপ ফাওবগী মনুংদা ১৫০-অপ ফোর্মেটকী ফাইনেলদা ৪রক থংন-থংননা ফাইনেল চঙবা ঙম্লি।





নীংশিংবা য়াই, য়ু কেদা পাঙথোকখিবা আই বি এস এফ ৱার্ল্ড বিল্লিয়াদর্স চেম্পিয়ন্সিপ অদুদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোই পঙ্কজ অদবানিনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। ঙসি মন্দলেদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ফংলকপা টাইটল অসি থারগা হৌখিবা চহী ৬ তা ফংখিবা টাইটল মশীং ৫ শুখি।

কুমজা ২০০৩ দা পাঙথোকখিবা আই বি এস এফ ৱার্ল্ড বিল্লিয়াদর্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা টাইটল লৌখিবা অসিনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ওইখিবনি।

মন্দলেদা পাঙথোকখিবা আই বি এস এফ ৱার্ল্ড বিল্লিয়াদর্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী পঙ্কজ অদবানিনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ম্যান্মারগী শান্নরোই নে থৱে উবু ফ্রেম ৬-২ দা মায়থিবা পীদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী ২২রকশুবা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পঙ্কজ অদবানিনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা অহানবা ফ্রেম অহুম ১৫০(১৪৫)-৪, ১৫১(৮৯)-৬৬ অমদি ১৫০(১২৭)-৫০(৫০) দা থোইদুনা ফ্রেম ৩-০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা পঙ্কজ অদবানিনা ৭-১৫০(৬৩,৬২), ১৫১(৫০)-৬৯(৫০), ১৫০(১৫০)-০, ১৩৩(৬৪)-১৫০(১০৫), ১৫০(৭৪)-৭৫(৬৩) দা থোইবা ঙমদুনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী কাভিন্দর প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*একাটেরিনবর্গ, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সি)ঃ* রুশিয়াগী সিটি একাটেরিনবর্গতা চত্থরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর কাভিন্দর সিংহ বিষ্ট কেজি ৫৭ কী কেটেগোরিদা মায় পাক্তুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৫৭গী অনীশুবা রাউন্দগী বাওটতা এসিয়ান সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী কাভিন্দর সিংহ বিষ্টনা চাইনাগী বোক্সর চেনা ঝিহাওবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিদা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই, মশাগী চহী ২৬শুরবা ইন্দিয়াগী বোক্সর কাভিন্দর সিংহ বিষ্ট কুমজা ২০১৭ দা জর্মনিগী সিটি হেমবর্গতা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ইদিসনদা ক্বার্টর ফাইলে ফাওবা য়ৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, মেন'স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অনীশুবা সিদেদ এসিয়ান চেম্পিয়ন ইনি দয়াগী অমিত পানঘাল কেজি ৫২ অমদি কম্মনৱেল্থ গেমস সিলভর মেডালিষ্ট মানিস কোসিক কেজি ৬৩ গী কেটেগোরিশিংদা মাঙজৌননা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবনি।

চত্থরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অসিদা ৱেঠ কেটেগোরি ৮ টোকিও ওলিম্পিক ক্বালিফায়রগী ওইনা রিভাইস তৌদুনা শান্নরি। ৱেঠ কেটেগোরিশিং অদুদি কেজি ৫২, কেজি ৫৭, কেজি ৬৩, কেজি ৬৯, কেজি ৭৪, কেজি ৮১ কেজি ৯১ অমদি কেজি ৯১ মথকনি।

ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসন (এ আই বি এ)গী মনুংদা মতম কুইনা চয়েৎনবা লৈখিবদগী ওলিম্পিক ক্বালিফায়র পাঙথোকপগী থৌদাং অদু ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতি (আই ও সি) না লৌদুনা লাক্লি।

## কোসল ধরমামরনা টাইটল লৌখ্রে

*রেঙ্গুন, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সি)ঃ* ম্যান্মারদা পাঙথোকখিবা ম্যান্মার ইন্টরনেসনেল সেরিজ বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ইন্দিয়াগী সট্লর কোসল ধরমামরনা লৌখ্রে।

ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন সেরিজ অসিগী ঙসি ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী সট্লর কোসল ধরমামরনা ইন্দোনেসিয়াগী কারোনোবু ১৮-২১, ২১-১৪, ২১-১১ দা থোইরম্বনি।

## স্পেনগী লা লীগাদা বার্সেলোনানা ভেলেন্সিয়াবু ৫-২ দা মায়থিবা পীখ্রে, ইস্পানিওলসু মায় পাকখ্রে

*বার্সেলোনা, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সি)ঃ* স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা বার্সেলোনানা ভেলেন্সিয়াবু গোল ৫-২ দা মায়থিবা পীখ্রে, অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা ইস্পানিওলনা ঐবারবু গোল ২-১ দা থোইখ্রে।

বার্সেলোনা অমদি ভেলেন্সিয়ানা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু হেক হৌবদগী বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ২শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই অন্সু ফাটিনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৭শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী অতোপ্পা শান্নরোই ফ্রেঙ্কি দি জোংনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা চত্থরকখিবা এটেক অমদা কেভিন গামৈরোনা গোল অমা হন্দোক্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা বার্সেলোনানা ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।



*বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা গোল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা লাকখি। মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই জেরাদ পিক্যুনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৩-১ দা হেন্দুনা লৈখি। মেটচকী ৬১শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই লুই স্বারেজনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৪-১ দা মাঙজিল থাখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈন্দগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙন্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৮৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী ৪শুবা গোল চনখিবা লুই স্বারেজনা গোল অমগা চনশিনবা ঙমদুনা ৫-১ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী অরোইবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা মেক্সি গোমেজনা গোল অমা চনশিনবা ঙমখ্রবসু মেটচ অসি বার্সেলোনানা ভেলেন্সিয়াবু গোল ৫-২ দা মায়থিবা পীরমখি।

লা লীগা ফুটবোলগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা ইস্পানিওলনা ঐবারবু গোল ২-১ দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অসি য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৮শুবা মিনটতা ঐবারগী শান্নরোই ইদু এক্সপোজিটোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। মেটচকী ৭৬শুবা মিনটতা ইস্পানিওলগী শান্নরোই ফাকুন্দো ফেরেরানা গোল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নখি। মিনট ৩ লৈরগা ইস্পানিওলগী শান্নরোই ইষ্টেবান গ্রেনেরোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২-১ দা মায় পাকখি।

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ৱাটফোর্দ অমদি আর্সনেল গোল ২-২ দা দ্রো চৎখি।

শান্নবগী ২১ অমদি ৩২শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোই পিয়েরি ইমেরিক ওবামেয়াংনা গোল অনী চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৫৩ অমদি ৮১শুবা মিনটতা ৱাটফোর্দনা গোল হন্দোকপা ঙমখি।

## চেক্কী প্লিজকোভানা ঝেংঝৌগী টাইটল লৌখ্রে





*ঝেংঝৌ, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সি)ঃ* চাইনাগী সিটি ঝেংঝৌদা চত্থরকপা দব্লিয়ু এ টেন্নিস টুর্নামেন্ট ঝেংঝৌ ওপনদা মায় পাক্তুনা চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌখ্রে।

ঝেংঝৌ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা ক্রোএসিয়াগী পেত্রা মার্টিকপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা প্লিজকোভানা মার্টিক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা ক্রোএসিয়াগী পেত্রা মার্টিকপু লায়না ৬-২ দা থোইবা ঙমখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

ঝেংঝৌ ওপন দব্লিয়ু টি টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ য়ু এসকী এন মেলিসর অমদি চেক রিপব্লিক্কী কে পেস্কেনা বেলজিয়মগী ৱাই ৱিকমেয়র অমদি স্লোভেনিয়াগী টামারা জিদানসেকপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-১, ৭-৬(৭-২) দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

## য়ু এম এফ সি মোইজিং অমদি আর ই এফ এ দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন, থৌবালনা শীন্দুনা থা অসিগী ১১ দগী চাওয়াইমা হয়ার সেকেন্দরী স্কুল প্লে গ্রাউন্দা টিম ৩ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু এম এফ সি মোইজিং অমদি আর ই এফ এ লৈশাংথেম গোল ২-২ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

লীগ অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা য়ু এম এফ সি মোইজিংগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্লকী মিনট ১৫ দা জর্সি নম্বর ৮ জুমাখান অমদি জর্সি নম্বর ১১ অক্তরনা মিনট ১৭ চৎপদা চনখি।

আর ই এফ এ লৈশাংথেমগী গোল অনী অদুনা অনীশুবা হাল্ফকী অতেনবা মিনট ৪৯ অমসুং ৫১ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ১১ এল ওজিৎ অমদি জর্সি নম্বর ২০ টি ঐচ নিংতৌবনা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা আর ই এফ এগী জর্সি নম্বর ৩ এস লেলিন অমসুং য়ু এম এফ সিগগী জর্সি নম্বর ১১ অক্তর, জর্সি নম্বর ৮ জুমাখান অমদি জর্সি নম্বর ১৬ ইলিয়াস খানদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এ কে তুনেশ্বর, এস ঐচ তাতু , এল রঞ্জিৎ অমদি এম ইবোমচানা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

### ক্রোসৱার্দ ২৮১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| M | I | S | T | ■ | M | A | S | T | ■ | D | E | S | I | S |
| A | N | T | E | ■ | U | L | N | A | ■ | A | T | E | S | T |
| S | T | E | M | ■ | I | M | A | M | ■ | D | O | N | O | R |
| C | O | P | P | E | R | A | G | E | ■ | ■ | N | O | T | E |
| O | N | I | O | N | ■ | ■ | ■ | R | E | P | ■ | R | O | N |
| T | E | N | ■ | T | U | B | E | ■ | D | A | R | I | N | G |
| ■ | ■ | ■ | S | A | P | O | R | ■ | I | G | O | T | I | T |
| C | A | S | T | I | R | O | N | S | T | O | M | A | C | H |
| A | L | K | A | L | I | ■ | S | L | O | P | E | ■ | ■ | ■ |
| S | P | I | N | E | S | ■ | T | A | R | A | ■ | I | D | S |
| H | A | P | ■ | D | E | A | ■ | ■ | ■ | G | E | N | R | E |
| E | C | O | L | ■ | ■ | T | E | F | L | O | N | D | O | N |
| S | I | L | O | S | ■ | A | Q | U | A | ■ | T | I | P | S |
| I | N | E | P | T | ■ | L | U | L | L | ■ | E | R | I | E |
| N | O | S | E | S | ■ | L | I | L | A | ■ | R | A | N | D |